# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ফ্রান্স স্বিটজরলেন্দগী মখুৎতা মায়থীহৌরে, ইংলেন্দনা জর্মনি মায়থীবা পীখ্রে



বুকারেষ্ট/লন্দন, জুন ২৯ (এজেন্সী):

যুরোপ কন্টিনেন্টকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা যুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী ঙরাং নোংয়াই মতুংদা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন ফ্রান্স স্বিটজরলেন্দগা লম্বা তৌনবদা পেনাল্টি শুট আউটতা মায়থীহৌরে। অদুগা ঙসি নুমিদাং শান্নবা মরুওইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইংলেন্দনা জর্মনিবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে।

ঙরাং নোংয়াই মতুংদা রোমানিয়াগী কোনুং বুকারেষ্টতা শান্নখিবা যুরো ২০২০গী য়াম্না মরুওইবা অমদি মীয়াম্নসু খৌরাংনা ঙাইনখিবা মমাংগী চেম্পিয়ন ফ্রান্স অমসুং স্বিটজরলেন্দগী মেটচ অদু ফ্রান্সনা মায় পাকপগী লম্বেলদা চঙশিল্লম্লবসু স্বিটজরলেন্দগী হোৎনবা কনবগী মতেংনা অপীবা মতম অমদি এক্সট্রা টাইম হাপ্লা ফাওবদা মায় পাকপা ঙম্লদবদগী পেনাল্টি শুট আউটকী লম্বাদা ফ্রান্সকী নহা ওইরিবা কিলিয়ন মাপেনা কাওখিবা কিক্ অদু পাঞ্জল ওইহৌদবদগী স্বিটজরলেন্দনা ফ্রান্সপু ৫-৪দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

মেটচ অদু হৌরকপদা ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিংনা খূদুম চনবা ঙমদ্রিঙৈ শুপ্নগী ১৫শুবা মিনটতা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টেবেন জুবেরনা পীরকপা বোলদা হেরিশ সেফেরোবিচনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। ফ্রান্স অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ফ্রান্সকী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা করিম বেঞ্জিমানা টিমমেট কিলিয়ন মাপেগী সপ্লাইদা ৫৭শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মিনট ২গী মনুংদা বেঞ্জিমানা অতোপ্পা মহাক্কী টিমমেট ফ্রান্সকী কেপ্টেন গ্রিজমানগী ক্রোস অমদা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-১দা হেনখি। মেটচকী ৭৫শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী পোল পোগবানা কাওখিবা য়াম্না ফজবা বোল অদু পাঞ্জল ওইদুনা স্বিটজরলেন্দবু মখোয়না ৩-১দা হেনখি।

অদুবু স্বিটজরলেন্দগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা সেফেরোবিচনা ৮১শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লবা মতুং টিমমেট মারিও গাব্রানোবিচনা ৯০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মান্নখিবদগী এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদা পেনাল্টি শুট আউট তৌনখি। মদুদা স্বিটজরলেন্দগী পাঞ্জল ৫ চল্লবা মতুং ফ্রান্সকী পাঞ্জল ৪ চল্লগা চেম্পিয়ন টিম অদুগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু মাপেনা কাওবদা পাঞ্জল চলহৌদবদগী স্বিটজরলেন্দ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ঙসি নুমিদাং লন্দনগী ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা যূম্বু ওইখিবা ইংলেন্দ অমদি জর্মনি লম্বা তৌনবদা ইংলেন্দনা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লম্বা মান্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা পুংখায় অমা চঙশিল্লকপদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা রহিম ষ্টর্লিংনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং শান্নবা লোইগদবা মিনট ৪ ৱাৎলিঙৈদা হেরি কেননা ১গা চল্লগা ২-০দা থোইখি।

# মেসিগী পাঞ্জল ২না অর্জেন্টিনা মায় পাক্তুনা ক্বার্টরদা ইক্বাদোরগা শান্নরগনি, উরুগুৱেগা কলম্বীয়াগা থেংনরগনি



ব্রাসিলা, জুন ২৯ (এজেন্সী):

ফুটবোলগী লম্দা মীয়াম্না মমিং খঙনরবা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল ২ চনখিবগা লোয়ননা ব্রাজিলনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী অরোইবা রাউন্দদা বোলিভিয়াগী মায়কৈদা পাঞ্জল ২ চন্দুনা ৪-১দা থোইখিবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইক্বাদোরগা লম্বা তৌনরগনি। গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা টিম ওইখিবা উরুগুৱেসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা কলম্বীয়াগা ক্বার্টর ফাইনেল থেংনরগনি।

ব্রাজিলগী সিটি ব্রাসিলাদা লৈবা পন্টাননাল ফুটবোল এরিনাদা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা কোপা অমেরিকা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ এগী অরোইবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনা অমসুং বোলিভিয়া লম্বা তৌনবদা মেটচ অদুগী অয়াম্বা মতম অর্জেন্টিনানা খূদুম চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থাখি। অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী শান্নবগী শুপ্নগী ৬শুবা মিনটতা লিওনেল মেসিনা পীখিবা বোল অমদা টিমমেট অলিজান্দ্রো গোমেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। বোলিভিয়াগী টিমগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু অর্জেন্টিনাগী এটেকশিং অদু ফনা কন্না ঙাকথোক্লবা হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংদনা ৩৩শুবা মিনটতা লিওনেল মেসিনা মখা তানা অর্জেন্টিনাগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। শান্নবগী অহানবা হাফ লোইরমদাই ৪২ শুবা মিনটতা মেসিনা অমুক্কা হন্না টিমমেট সর্জিও এগুইরোগী মায়কৈদগী পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল ১গা চল্লগা হাফ অদু ৩-০দা মখোয়না হেল্লগা লোইশিনখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নরকপা ১৫শুবা মিনটতা বোলিভিয়াগী মায়কৈদগী লিওনেল জষ্টিনিয়ানোনা ক্রোস তৌরকপা বোল অমা অর্ৱিন সভেদ্রানা পাঞ্জল ১ চল্লগা ১-৩দা লৈখি। অদুবু মেটচ অদুগী ৬৫শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী মখা তাবা এটেক অমদা লোটারো মার্টিনেজনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৪-১দা থোইদুনা গ্রুপ এগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইদুনা কোপা অমেরিকা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা গ্রুপ বিগী মরিশুবা পোজিসনদা লৈখিবা ইক্বাদোরগা লম্বা তৌনগদৌরি।

ঙসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা উরুগুৱেনা পারাগুৱেগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা গ্রুপ এগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেলদা কলম্বীয়াগা জুলাই ৩দা লম্বা তৌননবা শেমশাখি। কোপা অমেরিকাগী ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ জুলাই ২দগী হৌগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অথুবদা হৌরগনি

ন্যু দেল্লী, জুন ২৯ (এজেন্সী):

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকপা ঙমহৌদ্রবা দোমেষ্টিক টুর্নামেন্টশিং অদু কুমজা ২০২১-২২ দোমেষ্টিক সিজন অথুবা মতমদা হৌনবা থবক লৌখৎলি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপা ৱারোলদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা গাইদলাইনশিং অদুগী মতুংইন্না চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা শান্নরোয়শিংগা লোয়ননা কোচশিং, টেক্নিকেল ওফিসলশিং, ওর্গনাইজিং টিম অমসুং ষ্টাফশিংনা দোমেষ্টিক বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিং অসি পাঙথোকপদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনগী দোজ অনীমক কাপ্পা লোইবা ঙাক্তা ওইগদবনি। লোয়ননা মখোয় মশা-মশানা ভেক্সিন কাপখ্রে হায়বগী সর্টিফিকেটশিং অদু লোয়নগদবনি হায়খি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা চহী ১৮ মখাদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়না লাক্কদৌরিবা মফমদগী পুং ৯৬ ৱাৎলিঙৈদা লৌখিবা আর টি-পি সী আর রিপোর্ট অদু নেগেটিভ ওইরগা লাক্কদবনি হায়রি।

এসোসিএসন অসিগী প্রোগ্রামগী মতুংইন্না দোমেষ্টিক টুর্নামেন্ট পাঙথোকপদা সিনিয়র রেঙ্কিং টুর্নামেন্টনা হান্না হৌরগা মদুগী মখা তারকপদা তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলূপশিংগী কম্পিটিসনশিং অদু পাঙথোক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী ওইনা দোমেষ্টিক বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী এপ্রিল থাদা হৌগনি হায়না শিল্লম্বনি। শেল ওইনা লুপা ক্রোর ২.২ থমগদবা টুর্নামেন্ট অসি কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা চাওনা চৈথেং পীখিবনা পাঙথোকপা য়াদনা লাকখিবনি হায়রি।

# ৱিম্বলদন টেন্নিসকী সিঙ্গলসকী টাইটল ৫রক লৌবা ঙমখ্রবী যু এসকী ভেনস ৱিলিয়মস অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে



লন্দন, জুন ২৯ (এজেন্সী):

টেন্নিস মশান্নগী মালেমগী গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ৪গী মনুংদা গ্রাসকোর্টকী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লন্দনদা পাঙথোকপা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মমাংদা সিঙ্গলস টাইটল ৫ অমদি দবলসকী টাইটল ৬ লৌবা ঙমখ্রবী যু এস এগী শান্নরোয় ভেনস ৱিলিয়মস অহানবা রাউন্দ মায় পাকপা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ভেনস ৱিলিয়মস সিদ্দিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্না ৱিম্বলদনগী ঙসি শান্নখিবা নোংনা পন্থখ্রবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা রোমানিয়াগী শান্নরোয় মিহেলা বুজার্নেস্কুবু অকনবা লম্বা অমদা সেট ২-১দা থোইবা ঙমখি। মশাগী চহী ৪১ শুরবী ভেনস ৱিলিয়মসনা রোমানিয়াগী শান্নরোয় অদুবু অহানবা সেটতা ৭-৫দা থোইবা ঙমখি। অদুবু রোমানিয়াগী শান্নরোয় অদুনা অনীশুবা সেট অদু ৬-৪দা থোইরবা মতুং শান্নরোয় অনী সেট অমমম্ মান্নখ্রবা মতুং মমাংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবী কুমজা ১৯৯৭তা অহানবা ওইনা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ভেনস ৱিলিয়মসনা ৬-৩দা অহুমশুবা সেট অদু থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী বেলারুসকী এরিনা সভালেনকানা রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেস্কুবু ৬-১, ৬-৪দা থোইখি। মরিশুবা সিদেদ যু এসকী সোফিয়া কেনিননা চাইনাগী ৱাং জিনয়ুবু ৬-৪, ৬-২দা মায়থীবা পীরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা গ্রেট বৃটেনগী জেক দ্রাপরবু ৪-৬, ৬-১, ৬-২, ৬-২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী যূম্বু লৈবাক গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জোর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলিবু ৬-৪, ৬-৩, ৫-৭, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি। লোয়ননা নুপাগী ৫শুবা সিদেদ রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অর্জেন্টিনাগী ফেদেরিকো দেলবোনিসপু ৪-৬, ৬-৪, ৬-১, ৬-২দা থোইদুনা মহাকসু ২শুবা রাউন্দ য়ৌখি।

# ওরিষা লৈঙাক্না এথলিট দুটি চান্দবু খেল রত্নাগী নোমিনেট তৌখ্রে

ভুবনেশ্বর, জুন ২৯ (এজেন্সী):

ওরিষা লৈঙাক্না ঙসি লাউথোকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অদুদগী হৌখিবী ইন্দিয়াগী এথলিটশিংগী মনুংদা মকোক থোংলিবী দুটি চান্দবু লৈবাক অসিগী শান্নবগী লম্দা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা রজিভ গান্ধী খেল রত্না এৱার্দকীদমক্তা নোমিনেট তৌরে হায়খি।

ওরিষা লৈঙাক্না দুটি চান্দ খক্তা নৎতনা অতোপ্পা শান্নরোয় মঙাসু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী এৱার্দশিংগীদমক্তা রেক্কমেন্দসন পীখি হায়না ভুবনেশ্বরদা লৈবা স্পোর্টস ওফিসল অমগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। ওরিষা লৈঙাক্না খেল রত্না এৱার্দকীদমক্তা নোমিনেট তৌরকখিবা অদুদা দুটি চান্দ মশামক্কী মায়কৈদগী ত্বিটর একাউন্টতা ওরিষা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনাইকপু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা মহাকপু এৱার্দ অসিগীদমক্তা নোমিনেট তৌবা অসি মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপীগী ওইনা মিটর ১০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ১১.৭ চেন্দুনা রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবী দুটি চান্দ টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসনগী মতম অদুদগী সেকেন্দ ০.০২ শোথরগা লৈহৌবনি। অদুবু ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী মতুংইন্না দুটি চান্দ টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবগী য়াম্না পীকপা তাঞ্জা অমদি লৈরি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবী দুটি চান্দনা কুমজা ২০১৮গী ইন্দোনেসিয়ানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা জকর্টা এসিয়ন গেমসতা নুপীগী মিটর ১০০ অমসুং ২০০গী ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংখিবনি। লোয়ননা কুমজা ২০২০দা অর্জুনা এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রবনি।

# এ এ আইনা কে ইন্দ্রমণি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস):

মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অমদি আর্চরি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী হান্না জোইন্ট সেক্রেটরি ওইরম্বা কে ইন্দ্রমণিনা থা অসিগী ২৬তা লৈখিদবদা আর্চরি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই)গী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এ এ আইগী সেক্রেটরি জেনরেল প্রমোদ চন্দুর্করনা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোলদা কে ইন্দ্রমণিনা নেসনল আর্চরি কোচিং কেম্প কয়াদা শরুক য়াদুনা লৈবাক অসিগী অফবা আর্চরশিং পুথোকপগীদমক্তা অকনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা নৎতনা ইন্টরনেসনল আর্চরি কম্পিটিসন কয়াদা টিম মেনেজর ওইনা শরুক য়াখি। এ এ আইগী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবা ইন্দ্রমণিগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গল মচা প্রনাটি নায়ক টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রে



কোলকাটা, জুন ২৯ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনল জিম্নাষ্টিক্স ফেদরেসননা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবী জিম্নাষ্ট ৱেষ্ট বেঙ্গল মচা প্রনাটি নায়ক টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরে হায়না ফোঙদোরকখি।

জিম্নাষ্টিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙরাং ইন্টরনেসনল জিম্নাষ্টিক্স ফেদরেসনগী মায়কৈদগী পীরকপা পাউগী মতুংইন্না প্রনাটি নায়ক ক্বালিফাই ওইরে হায়রকপনি। পনবা য়াবদি, প্রনাটি নায়ক কুমজা ২০১৯ এসিয়ন জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপকী ভোল্ট ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি। ইন্টরনেসনল জিম্নাষ্টিক্স ফেদরেসনগী মায়কৈদগী তোঙানবা ক্বালিফিকেসন য়েংলুবদা প্রনাটি ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদৌরিবনি।

# স্বিম্মিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ওলিম্পিয়ন স্বিম্মর সাজন প্রকাশতা লুপা লাখ ৫গী মনা লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ২৯ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী স্বিম্মিং পুৱারীদা অনৌবা লামায় অমা হাংদোকপা ঙমখিবা সাজন প্রকাশনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইদুনা মমাংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী স্বিম্মিংগী লম্দা ওলিম্পিক্সকী শরুক য়াবগী রেকোর্দ লৈরমদবা অদু নৌনা লৈহনবা ঙমখিবগীদমক্তা স্বিম্মিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লুপা লাখ ৫গী শেলগী মনা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

সাজন প্রকাশনা ইটালিগী কোনুং রোমদা পাঙথোকপা সেটি কোলি ট্রোফি স্বিম্মিং চেম্পিয়নশিপতা নুপাগী মিটর ২০০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা মিনট ১:৫৬.৩৮ দা ওলিম্পিক্সকী 'এ' ষ্টেন্দর্দকী মতম অদু য়ৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা স্বিম্মর অমনা ওলিম্পিক্স শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি। স্বিম্মিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট আর এন জয়াপ্রকাশনা লাউথোকখিবা মতুংইন্না ইন্দিয়াগী ওইনা ওলিম্পিক্সকী স্বিম্মিংদা 'এ' ক্বালিফিকেসন টাইম ফংখিবা সাজন প্রকাশতা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ৫ পীগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

পনবা য়াই, সাজন প্রকাশকী করিয়রগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলগী কোনুং রিওদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা য়ুনিভর্সেল কোটাদা শরুক য়াবা ঙমখিবনি। সাজন প্রকাশকী মতুং ইন্দিয়াগী অতোপ্পা স্বিম্মর শ্রিহরি নটারাজনা নুপা মিটর ১০০গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্টতা সেকেন্দ ৫৩.৭৭তা ইরোইবা ঙমদুনা মহাকসু টোকিও ওলিম্পিক্সকী 'এ' ষ্টেন্দর্দ টাইমিং অদু য়ৌখিবনি।

# টোকিও ওলিম্পিক্স য়াওগদৌরিবা তাজিন্দরপালনা ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্সতা গোল্ড ফংখ্রে



পটিয়ালা, জুন ২৯ (এজেন্সী):

জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী শোটপুট্টর তাজিন্দরপাল সিংহ তুরনা পাঞ্জাবকী পটিয়ালাদা পাঙথোকপা নেসনল ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা ঙরাং শোট পুট ইভেন্ট অদুদা মিটর ২১.১০ লংদুনা অনৌবা ইন্টর ষ্টেট চেম্পিয়নশিপকী রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী ওইনা মমাংদা নুপাগী শোট পুট ইভেন্টতা লৈখিবা রেকোর্দ অদু মিটর ২০.৪৪নি। হায়রিবা রেকোর্দ অদু তাজিন্দরপালনা মহাক্কী কম্পিটিসন অদুগী অনীশুবা এটেম্পটতা মিটর ২০.৬৩ লংদুনা ফজবা ঙমখি। মখা তানা তাজিন্দর পালনা শোট পুট ইভেন্টকী রাউন্দশিংদা মিটর ২১.১০ লংদুনা ইন্টর ষ্টেটকী চেম্পিয়নশিপ অদুগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা তাজিন্দরপালনা ইন্দিয়ন গ্রান্দ প্রি এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ কম্পিটিসনদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা শোট পুট ইভেন্টতা লৈরিবা ক্বালিফিকেসনগী মিটর ২১.১০ অদুদগী লাম্থোক্তুনা মিটর ২১.৪৯ লংদুনা ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবতা নৎতনা এসিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ অমসু থমখিবনি। পটিয়ালাগী কম্পিটিসন অদুদা নুপীগী জেবলিন থ্রোদা অনুরানীনা অনৌবা রেকোর্দ থম্লগা মিটর ৬২.৮৩দা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।


# EMPLOYMENT NEWS

➤ IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2

➤ SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)

➤ MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

➤ THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2


➤ NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

HL-B/6970/28/6-18/7


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 155

GM Sjugirov, Sanan (2662) - GM Carlsen, Magnus (2876)
Chess24 Banter Blitz Cup chess24.com INT, 2020.04.07

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 a6 |
| 4.Ba4 Nf6 | 5.O-O b5 | 6.Bb3 Bb7 |
| 7.d3 Bc5 | 8.c3 d6 | 9.Nbd2 h6 |
| 10.Re1 Bb6 | 11.Nf1 Ne7 | 12.Ng3 Ng6 |
| 13.a4 O-O | 14.h3 Re8 | 15.Nf5 d5 |
| 16.axb5 axb5 | 17.Rxa8 Bxa8 | 18.Bxh6 gxh6 |
| 19.Qd2 Nf4 | 20.Nxe5 N6h5 | 21.Nxh6+ Kf8 |
| 22.Nhxf7 Qh4 | 23.d4... | |

**QUESTION :**

Black to win

**Puzzle 154 Ans. :**

50. Rb6 Rxf2+The black rook decoys White's king. 51.Kxf2 Bc5+ The black bishop forks White's rook and king. 52.Kf1 Bxb6
50. ...Rxf2+ 51.Kxf2 Bc5+ 52.Ke2 Bxb6 53.g4 Kd5 54.h5 g5 55.gxf5 Ke5 56.Kf1 Kxf5 57.Kg2 Kf4 58.Kh2 Kxf3 59.Kh3 g4+ 60.Kh4 Bd8#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com